# অঙনবা মণিপুরী খুন্নাইদা কনাগুম্বা মীশক অমগী লুরেন কক্লগা লুখা থাবা ঙম্বা মহাক্তো তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই লৈবনি লৌনরম্মী, লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন্নসু য়ারম্মী

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

মথায় থায়না নীংশিংবদা ৱারবা মতমদা থোকখিবা শাথিরবা ৱারী অদুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। পারুবদা, তারুবদা তু মান খ্যাও-খ্যাও চুংই। মসি ঐখোয়গীখক্তগী ৱা নত্তে, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারম্বা ফুরুপ অয়াম্বগী চৎন-কাঙলোনশিংদা তমথীরবা অকি তুজুংলবা থৌওং থৌচৎ ময়াম অমা লৈরম্মী। অঙনবা মতমগী ৱাফমদুদি থন্থু থমখো, কুমজা ১৭৮৯দা থোকখিবা মালেম শিনবা থুংনা থ্রক-থ্রক নিনখিবা ফ্রেঞ্চ রেভল্যুসন মায় পাক্লবা মতুংদা নিংথৌ মহারানি অনীবু মঙক কক্তুনা হাৎখি। ঐখোয়গী মণিপুরদসু অদুমঙায় কুমজা ১৮৯১দনি, কোইরেংম্না, থাঙ্গাল অথৌবনচিংববু ইরৈচাশিংগী মীৎমাঙমক্তা ঙক্তা থৌরী কোঙ্গোই হুক্তুনা হাৎপগী চৈরাক পীখি। মীওইবগী পুৱারীদা থোকখিবা অকি তুজুংলবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম থাবগী লোইবা খন্বা নাইরোই।

তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মণিপুরনি। ফুরুপ অমগা অমগা নুংশিনবগী মরীসু অদুম্মক লৈরম্মী। চারৌ মৌরৌনবগী মরীসু থল্লম্মী। কনাগুম্বা ফুরুপ অনী য়েংথীনরকপা মতমদা হুয়েন লানশীংনরকপা মতমদা অতোপ্পা অমনা অমগী মতেং অদুমক পাংলম্মী। অমুক য়েংথীনবা, অমুক চান্নবা, অরেপ্পা লৈরমদে। মতমদুগী তমথীরবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মনুংদা কনাগুম্বগী মঙক কক্তুনা লুখা থাবগী চৎনবীসু অমনি। হায়রিবসিগী মতুংইন্না ফুরুপ অমগী মীওই অমনা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী মীওই অমগী মঙক কক্লগা পুরকপা ঙল্লবদি মহাক অদু থৌনা ফবা অকন অথৌনি হায়না শীংথানরম্মী। লান চৎপা মতমদা লৈবাক নিংথৌ নৎত্রগা অকন অথৌশিংগী মঙক কক্লগা পুরকপা ঙল্লবদি লানঙম ফিরাল থেৎপগী খুদম চাংদমসু ওইরম্মী। থৌৱান থাবা হিরান হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিদা ইরম্বগী মতুংইন্না খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা হৈরম খুঞ্জানগী মথক্তা লান্দাবদা তেংবাংবীনবা থৌৱানথাবদা হায়জরকপদগী মৈতৈ নিংথৌ থৌৱানথাবনা মাগী মরোই মনাই, খোঙমী লাম্নীগা লোয়ননা হি তোংদুনা লান পাংনবগীদমক খুমন লমদা চৎলম্মী। খুমন অমদি মৈতৈগী অপূনবা লাম্নীশিংনা হৈরম খুঞ্জানশিংবু ঙমদুনা ইরায় লায়না লাকশিল্লবা মতুংদা মৈতৈ লাম্নীশিং কংলৈগীদমক খোঙশানবা হৌরক্লম্মী। মতম অদুদা মৈতৈ নিংথৌ য়াওনা লান মীশিংবু ফাননবা অচৌবা চাক্লেন অমা শীন্দুনা অরোনবা লাল্লোং অমা শেম শারম্মী। মৈতৈ নিংথৌ অমদি মাগী খোঙলোইশিংবু খাম্নবা থৌদা পীরক্লবদা মৈতৈ নিংথৌগী মমোম চীংখে লনউনথানবীনা তুরেল মপান্দা লেপ্তুনা খুমন লমদমদা হি তোংদুনা চঙলক্লিবা মপা অমদি মাগী খোঙলোয়শিংবু মচিন্দদি খুমনপুংদা শেম শারিবা চাক্লেন অদু ফংবীরনবা কৌবা শাশিন্নরগা খুদোংথীবা লৈরে, য়াম্না থুনা হনখ্রো হায়বগী ইঙ্গিৎ পীদুনা মখূৎ খত্তোক্লম্মী। খুমনলৈমগী ইঙ্গিৎ অদু খঙলবা মনাই অমনা চিংনবা য়াবা মওংদু হায়রদুনা পন্থরবদি খুদোংথীবা নংলগনি, য়াম্না থুনা হল্লসি হায়বদগী মৈতৈ নিংথৌনা য়ূম য়ৌবা থেঙলগনি হল্লগে হায়রম্মী। মদুগা লোয়ননা হৈরেম খুঞ্জানগী মথক্তা লন্দাবা চৎলুবদা পুরকখবা হৈরেম লুচিংবা, হৈরেম খোংঙা খোঙতেকচাগী মঙক অদু মচা নুপীদা পীবা খুদোলপোৎ ওইনা হুনগৎলম্মী। মতৌ অসুম্না মৈতৈ নিংথৌনা হৈরেম লুচিংবগী লুরেন অদু লান ঙম্বগী নীংশিং খুদম ওইনা কংলৈপাক্তা থল্লুনবা পুরকখিবনি। মদুনা নিংথৌগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াইসু হেনগৎহনগদৌরিবনি।

থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা লান্দা নৎত্রগা চায়নবদা লুরেন লৌবা ঙমদুনা লুরেন ময়াম অমা থম্বা ঙম্বশিং অদু থৌনা ফবনি হায়না কিনা লুনা লৌনরম্মী। হায়রিবা থৌওং অসি অঙনবা মতমদা চীংগী খুল্লাকপনচিংবা ফম্নাইবশিং নৎত্রগা মপা মপুশিংগী অশিবা হকচাং লৈরোন চনবগী থবক্তা মীগী অককপা লুরেন্না মখা থাদুনা পাঙথোক্লম্মী। থৌওং অসিবু লুখা থাবা হায়না খঙনরম্মী। হায়রিবা থৌওং অসিগা মরী লৈনবা ৱারী মরাং কায়না ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্মী। মরী লৈনবা ৱারী মতাং অমা লৈরোল হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তগী লৌখত্তুনা থমজরি, মৈদিংঙু থৌৱানথাবা (১১৯৫-১২৩২) না পানবা মতমদা খারম খুন্না লোই চন্দুনা চহী খুদিংগী লোইপোৎ কাহল্লম্মী। অদুবু চহী খরগী মতুংদা থা খরা লোইপোৎ কাবা লেপখিরম্মী। মরম অদুনা নিংথৌনা মনাউনুপা য়েনশা নহা মোংয়াং চাউবদা য়াথং পীদুনা লোইপোৎ থৌবা চৎলহল্লম্মী। মহাক্না লোইপোৎ থৌবা চৎপদা খারমশিংনা মঙক কক্তুনা লালু পুঙদা থমখি। মতাং অসিবু অসুম্না শৈথারি,

নিংথৌগী মশানৌ, য়েনশা নহা মোংয়াং চাউববু,
লালু চোমাই কক্তুনা লালু পুঙদা থমখিদো।

পঞ্জখ্রিবা লাইরিক অসিদা শৈথারিবা অতোপ্পা ৱারী মতেক অমসু লৌখৎচরি, মৈদিংঙু থৌৱানথাবগী ময়াম্বা মিৎস্না মিংয়ান চাউবনা খারমদা লান্দাবা মতমদা খারমশিংনা মঙক কক্তুনা হাৎখি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা থৌৱানথাবা নিংথৌনা খারমদা লান্দাদুনা ময়াম্বগী অককপা মকোক অদু কংলা মেন্দা থম্নবগীদমক পুরকখি। খারমশিংগা লান শোক্লরুবগী চোকথরদুনা থেনপুং অমদা পোত্থারম্মী। মতম অদুদা ময়াম্বুংগী লুরেন ককপা হায়বসি অকন অথৌ শকপগী থবক থৌওং অমা ওইরম্মী হায়বসিনি। মসি য়েক্লবশিংদা তেমশিংনবা উৎপনি হায়বসু য়াই।

মমাঙঙৈদা লৈরম্মী, চায়নবা, অকন অথৌ অনীগী মরক্তা পাঙ্গল চাংয়েংনবনি। লৈবাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী হীরমগা মরী লৈননা অথৌবা অনীগী মরক্তা চায়নরম্মী, থাঙ নৎত্রগা তাগী মতেং লৌদুনা চায়নবনি। হকচাংগী মফম অমদা খজিক্তং ওইরবসু শোক্লবা মহাক অদু মায়থীরবনি। মহাক্কী লুরেন অদুম্মক লৌখ্র, মায় পাক্লবদুনা। মরী লৈনবা ৱারী অমা চায়নরোল হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তগী লৌখৎচরি, মমাঙঙৈদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংনা মনীং তম্না পাল্লিঙৈদা খুমনগী মীনা থবক ইনখাংশূবা নোম্বা চৎপদা হৈরেম কাংবিশূনা অথিংবা পীরে হায়বসি খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা পাউ ফংলম্মী। মরম অদুনা নোংমা অঙম অথৌশিংগী মীফমদা ৱাফম অদু হৌদোকপগা লোয়ননা হৈরেম কাংবিশূগা চায়নবা ঙমগদবা কনানো হায়না হংলম্মী। কনা অমত্তনা পাউখুম পীরক্তুবা মতুং কাইনথংদা চাখা মোইরেম্বা কৌবা অথৌবা অমনা থৌদাং অদু মহাক পাঙথোকচগে হায়না থৌয়ারম্মী। য়ানখিবগী মতুংইন্না হৈরেম কাংবীশূ অমসুং খুমন চাখা মোইরেম্বা অনীমক হৈরেম মরকসি কোনয়া থৈথোকপান্দা থুংলখি। হৌনবী মতুংইন্না লমগী অতেন অশাং ওল্লবা মতুংদা চাখা মোইরেম্বনা হান্না তা হুল্লম্মী। মদুদা কাংবীশূগী খোঙবী মতোন্দা খেৎপদগী ঈ থোক্লম্মী। অদুবু অয়ূক্তা লৌ খোইবা চৎপদা কাকফৈনা চিকপগীনি, তানা পানবগী নত্তে হায়না কাংবীশূনা মীনমদুনা মরৈ তৌরম্মী। মানা অমুক হুল্লকপদা চাখা মোইরেম্বগী মবুক্তা পাল্লম্মী। চাখা মোইরেম্বনা হায়বগী মতুংইন্না মাগী তালোয় লৈমা নামুন খাম্বীনা য়োম্বীরকপা চাকয়োম অমদি য়ু অদু চামিন থকমিন্নরবা মতুংদা কাংবীশূনা চাখা মোইরেম্বগী মকোক অদু কক্লগা পুখিরম্মী।

মপুরোইবগী অৱাবা পাউ অদু তাবদা লৈমা নামুন খাম্বীদু ওন্না থোইনা তেংথাদুনা কপ্পলম্মী। লৌনম নমথাক শীজিন্নদুনা মপুরোইববু লাকচখিবদুগী লমন খুম্বীনবা খুমন নিংথৌগী মফমদা হায়জরুবদা য়াবীরক্তবদগী মপাম লমদম মোইরাংগী মবুং মৌপ্পাশিংদা অমুক হায়জরম্মী। মদুদসু য়াবীরকখিদে। কাইনথংদা অহল ওইরবী নুপী অমনা তাকপীরকপগী মতুংইন্না শিখোংদা লৈবা চিথা মোইরেম্বগী মনাউ নুপা শিখোং নিংথৌবগী মনাক্তা চত্তুনা ৱারম অপূম্বা অমত্তা চিথদনা তল্লম্মী। খুমনপুংদা মতৈমগা লাকমিন্নরবা মতুংদা হৈরেম কাংবীশূগী মথক্তা লমন খুম্নবগীদমক চৎখিরম্মী। হৈরেম খুঞ্জান খুন য়ৌরবা মতুংদা কাংবীশূদি চাখা মোইরেম্বগা চায়নরুরবা মতুং হল্লকপদগী মফম মরাং খঙদবা লায়না অমনা মরম ওইদুনা তাইবঙপান থাদোকখিবনা নুমিৎ মঙানি শুরে, মথং নুমিত্তা অশিবা হকচাং অদু মংদা থিন্দুনা লৈরোন চনখ্রগনি হায়বসি খঙলম্মী। নুমিদাংদা ময়াম্বগী লুরেন থল্লিবা য়ূম অদুগী শাইগংদা নপ্তুনা করি করি ঙাঙনরিবগে হায়বদু লোন্না তারম্মী। য়ূম মনুং অদুদা ঙাঙনবগী মতুংইন্না ময়াম্বগী লুরেন অদু পোলাং অমদা হাপ্পগা মৈরা মূৎহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থল্লি হায়বসি খঙলম্মী। খুদক্তা মহাক্না চোংশিনখিদুনা মহাক্কী মশক তাকপগা লোয়ননা মৈরা অদু মুৎথত্তুনা য়ূম কৈ অয়াম্বা মৈ থাদোক্লম্মী। মদুগা লোয়ননা কু মনুংদা লৈরিবা হৈরেম কাংবীশূগী মঙক অদু কক্লম্মী। অহিং নোংয়াইদা ময়াম্বগী লুরেন অদু পোলাংদগী লৌথোক্তুনা নাহোংনা পোদুনা পুরক্লগা হৈরমগী পন্থোং লান্দুনা খুমন লমদা য়ৌরকখি।

মতৌ অসুম্না অকন অথৌ উৎপা ঙম্বা মীশক অমা ওইবদা চঙবা মতিক ময়ইশিংগী মনুংদা কনাগুম্বগী লুরেন কক্তুনা পুরকপা ঙম্বা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইরম্মী। অসিগুল্লবা তমথীরবা চৎন-কাঙলোন কয়া অসি ঙসিদি লৈত্রে। মসিমক মীরোল অসিগীদি লাইবক ফবনি। অদুবু হায়নবা লৈ, হিষ্ট্রি রিপিটস অগেন। ফজরবা লাইনীং-লীচৎ, ইপানাৎ-ইপুনাৎ, ইরোন, ইয়েক, ফিজেৎ, অমুক হল্লকপা ওইরসনু। অদুবু তমথীরবা, লুরেন ককপা, লুখা থাবা, থোং শাবদা মী অহিংবা হাপ্পনচিংবদি পুৱারীগী তাঙ্কক অমগী ৱারী ওইদুনা অদুম্মক লৈরসনু। মীরোন পূম্নমক্তা হল্লক্তবা ওইরসনু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ইশাগী থবক ইশানা পীরসি, তূমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে, মীৎকপ থোক্লসি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মমাঙগী মীরোলনা থম্বীরম্বা ৱাফম অঙাং ওইরিঙৈদা অসুম্না তাজহৌই, সাহেবনা পাল্লিঙৈগী মতমদা মরাল লৈবশিংদি ৱায়েলবদা অহকপা চৈরাক পীবদা য়াম্না কিনরমই। মরম অদুনা হিংবদা নে তাবা, ঈং-তপ্পা ওই হায়না হায়বিরম্মী। হৌজিক্তি কেস অমদা চহী ১০/২০ ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবা, ফংগদবা মরাল লৈরবসু কনাসু কিনদবনা ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক্না পীক থন্দুনা লৈথোক লৈশিন তৌনা হিংবা য়াবনা অকিবা লৈত্রবা জাৎলা?

অরেপ্পা পল্লেপফম লৈত্রবা চৎনরোল অসিদা মচাগা-মমাগা করি মরী লৈনবগে হায়বদু কনানসু খন্থনদে। মসি তৎন-থানবা য়াদ্রবা, ঙমখৈ নাইদ্রবা অহাংবা লৈত্রবা মরীনি। মমানা ঋতু ওইরিঙৈগী মতমদা মপাগী বীর্য্য অমোমদা লাবনা, শা-উচেক খুদিংমক চঙখিদুনা মচা ওইরক্লিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা খুদিংমক ঐগী ইচানি, অসুম্না খঙনরিবনি হায়নৈ। হায়রিবা মওং অসিনা মমানা মচাবু, জীববু থাদোক্লবা মতম য়ৌদ্রিবা ফাওবা নাওপুদুনা লৈরিবনি। মতম শুরক্লবদা জীব অদু মমাগী গর্ভদগী মপান্দা থোরক্লে। অঙাং অদু হেক পোকপগা য়াম্না হরাওজে অমসুং নুংঙাইজৈ। অঙাং অদুনা হংঙা-হংঙা হায়না কপ্লিবা অদু করিনো হায়বা মীশিংনা করি অমত্তা খঙনদে। অঙাংনা কপ্লিবগী মরমদি তাইবঙগী অঙকপা মওং মতৌ অদু উদুনা তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীরক্লিবা শিন্থা, মমাগী মতিক-ময়াইনা মচাবু পুন্দুনা থল্লে অসিনি। মমৈথংদদি তাইবঙগী চৎনবীনা পুংপুন পুন্দুনা থমখ্রে। মহাক্কী পুন্সি অদো অমম্বদা খোঙদাদুনা লৈখ্রে। হায়বদি অঙাং ওইরিঙৈদা নোক খেদুনা হরাউনা লেল্লি, মথংদা মপুং মরৈ ফারক্লবা মতমদি লোইনা শুরে, মতাং অসি য়ৌরকপদা মাগী ওইবা খোঙলোয়, নুপী থিদুনা তাইবঙগী ঈপাক লান্নবা হৌরে। মদুদগী মমা-মপা ওইবগী মতম লাক্লে। মা-মাগী তৌগদবা শিন্থা পাঙথোক্লবা থৌদাং ময়াম অদু মপুগী থৌশিল-শিন্থাশিংগী অৱাবদু উদুনা কপ্লিবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ইদুনা থম্বীরমই।

মতম মতমগী ওইবা চৎনরোল অফবা-ফত্তবা কয়ামরুম তাইবঙ ইপাক অসিদা শোয়দনা থেংনরগনি । মশা-মশাগী মথৌবু মশক খঙদ্রবা, অফবা ৱাখল পূক্নিংগী ইহুল খঙদ্রবা মীওইশিং হিংবগী কান্নবা লৈতে। মীওইবনা চান্ন-চিন্ননা লৈবা, অফবা থবক তৌবনা নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা অঙৈংবা ফংই। থৱায় পানবা মীওইবনা লাই নীংদুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎলবদি পূক্নিংগী অপাম্বা থুংই। অদুবু অতোনবা জীববু হাৎপা নৎত্রগা অঙাং অমা হাৎলগা পুজা তৌবদি করি মহয় ফংগনি, ফত্তবা নত্তনা। মহয় ফংনবনি হায়দুনা অঙাং অমা লাইদা কৎলগা হাৎলসি, মদুদগী থোরকপা ঈ অদু লাইদা কৎলসি মদুনা পেনবীবা লৈতে, হাৎলুরিবা মীওই অদুতনা অৱাফমদা তারোইদবগী মরম লৈতে। মরম অসিনা য়েক্লবা, য়ানদবা কয়ামরুম লৈরবসু হাৎফম থোক্তে। হাৎলগা করি কান্নবা ফংলিবা।

হৌজিক্কী মতমদা নোংমা কাংদনা তারিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক, ঙাইহাক্কী ৱাখলনা তুংদা করি তৌরক্কনি খন্দবা ৱাখল থেনবনা হাৎলুরিবা মীওই অদু আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংলি। মসিনা মঙোন্দা করি তোংজবা, ওইজবা ফংলিবা মসিনি খ্বাইদগী লুরিবদি। ঐনা মী অমা হাৎলুরবদি, হাৎননবা শিল্লুবগী নুংঙাইতবা ৱাখল অদুদি শোয়দনা থম্মোয়দা শিদ্রিবা ফাওবা কাউবা শুকঙম ঙল্লোই, লেংদনা লৈগনি। অদুগীসু মথক্তা পুন্সি চূপ্পা কৈশুমশঙদা লৈদুনা নীংতম্বসু ফংবা ঙল্লোই। অঙকপা অমনা য়াম্না লুনা চান্না চামিন থকমিন্নদুনা লৈরম্বা অমা করিগুম্বা নুংঙাইতবা অশোয়বা নৎত্রগা পেন্দবা মরমদগী খুনেক্লা হাৎহনবা, মসিনা করি ওইজবা ফংলিবা! শেল খরগীদমক ঐনা মী অমবু হাৎলুরবসু ঐনা তৌরুরিবা থবক অদুগী মহয়না পুন্সি চূপ্পা কৈশুমশঙদা লেনবা তাবনি নীংতম্বা ফংদনা। মসি মা-মানা, ঐ ঐনা তৌজরুবা অদুগী মহয়নি। অফবা তৌরুরগনা অফবা মহয় ফংবা অদুগা ফত্তবা তৌরুরগনা ফত্তবা মহয় ফংই হায়বসি খক কাউফদে। লাইরিক-লাইশু হৈবা, নুমিৎ থা উবা হানবা, মঙাল লৈবা মীওইশিংনা কুপ্না নৈনদুনা থম্বীরম্বা চৎন-কাঙলোনশিং তুংগী মীরোলনা ইন্দুনা ঙসি ফাওবা চৎনরি। মীওইবগী মপোক্তা অমুক্তংবু থাজবা মাঙখ্রবদি মদু অমুক হল্লকপা ঙল্লোই হায়বা অহল-লমন্না থম্বীরম্বা ৱাফম অসি ওন্থোক্লা চুমখ্রেদা।

থৱায় পানবা মীওইবা খুদিংনা থেংনরিবা অৱাবা-নুংঙাইবা, অচুম্বা-চুমদবা পূম্নমক অসি মী-মীদুনা তৌজরুবা থবক-থৌরম অদুদগী থোক্লকপনি। অদুগা অৱাৎ-অপা লৈতনা নুংঙাইবা ফংবনা মা মাগী তৌজরুবা থবক্কী মখা পোন্না লাকচবনি হায়বসি পূম্নমক্লা লেপ্নমক শোয়দনা খঙনরবনি। অপংবা অমসুং অশিংবা অনীমক অতিয়া কানীংবা নৎত্রগা অরান খুভম ফংনীংবা পূম্নমক্কী পাম্বৈদি চৎনরোল অসিনি। হৌজিক্কী মতমদা চৎনরিবা চৎনরোল অসি চানদবা ঈশিং, হক্কী ঈশিংগা চপ মান্নরে, করি চৎনরিবনো খঙবা ঙমদ্রবা, তৌনীংবতা তৌনরবা মতমগী য়াওলনি। নাপী হায়বদি চরুনা শীং ওইনবা মৈফম ঘী, থাওনচিংবা কয়া হাপ্তুনা থারবসু হেক্তা মুৎখিনি। মতম পূম্নমক্তা মীওইবগী ফনবা তৌবা মীওই অদুদি লাইদৌনা লাৎফম থোক্ত্রা? অরানবা, অতনবনা চাওখৎ খোঙথাংদা অপনবা ওইরিবনি, অচুম্বনা, হোৎনবা কনবনা নুংঙাই য়াইফবা ফংই, পুক থল্লি, চাদ্রবদি হিংবা ঙমদে। হায়নবা লৈ মচা অমনা অতিয়া নোংদোল য়ৌই অদুগা মচা অমনা লৈনুংদা চংই হায়বা লৈশি-লৈথোন লৈবনি হায়বসি কাউফরোই। ইশাগী থবক ইশানা পীরসি, তূমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে, মীৎকপ থোক্লসি।

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা
ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No. 832/SDC/M dt 5/8/2019**
Pukhram Sanahal Singh S/o (Late) P. Mohori Singh of Thamnapokpi.
-Vs-
(Late) Moirangthem (O) Shama Devi W/o (Late) Girani Singh of Thamnapokpi.

/ **NOTICE**
Moirang, the 5th August, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫০- থম্নাপোকপীদা লৈবা পাট্টা নং ১৭৫ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৩৬, এরিয়া ২.০৭ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদগী ০.৬২ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদার অসিগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিদা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৩ (হুমনি) গী মনুংদা কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

HL-P/3957/6 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

/ **খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হান্নকপা, হামেং মথিগুম্না মরূ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙগী মপান্দা খেৎলগা ঈ থোক্লকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মফম অনী-অহুম থোক্না চেকখায়রগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হান্নকপা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ অকনবা হান্নকপদা অমাংথোঙগী মপান্দা খেৎলগা ঈ থোক্লকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা চাউথোকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মফম অনী-অহুম থোক্না চেকখায়রগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ফম্বদসু ঈ তারকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চারগনা ঈ হেন্না তাবা, ঈ য়াম্না তাখিবনা মরম ওইরগা ঈ ৱাৎলকপদগী ঈ কাপ্পা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, ঈশিং চৎপদা ঈশিং মরীদা শাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ্তা নাবা, থজিন শৌগৎপা, অহাও অথুম, অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, চাবা থকপদা হকচাংদা মচি ওইদবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, কল্লাক মরী নাবা তৌবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুব্দগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা অজাদপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak Achouba (6am to 10am)

HL-P/3507/6 *থাগৎচরিবী :* **Kh. Thambal,** Heingang

/ **য়েৎকী শগন নাম্মা শিথবগুম তৌবা, মরক মরক্তা য়েৎকী খোঙ চিংগে তৌরকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খোঙ তোয়না হামনীংবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, মরক মরক্তা নাকোং ঙংলকপা, নাকোংদা ঙরং-ঙরং লাউরগা লৈবা, য়ারোমদা তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিক্না য়াম্না কন্না নাদুনা য়েৎকী শগন নামা শিথবগুম তৌবা, পোৎ অমা পায়রগা পুবা মতমদা য়াম্না ৱানা থোকপা, মরক মরক্তা য়েৎকী খোঙ নামা চিংগে তৌরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খোঙ তোয়না হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হান্নকপা, পুক চপ তিংলগা পুক কংখৎপা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা পুক য়াম্না কংখৎলগা য়াম্না ৱাবা, পুক্তা প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, চাবা তুমদবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, খোঙয়া য়াম্না শাবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শৌগৎপা, চাকখাও শোকপা, চাকখাও শোক্লে হায়দুনা চাকখাওগী হীদাক চারবসু ইকান কান্নদবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, খুকউ অমদি ফৈগন্দা চিকপা-নাবা, মরক মরক্তা নাকোং ঙংলকপা অদুগা অমুক ফখিবা, করিগুম্বা অহৌবা মখোল অমা তাবদা অমুক ঙংবা হৌরকপা, নাকোংদা ঙরং-ঙরং লাউরগা লৈবা, হকচাং অসি চোকথ-ৱান্থরগা পোত্থারগতা লৈনীংবা, খ্বাং য়াম্না কন্না নারগা থবক শূবদা অৱাবা অমা ওইবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

*HL-P/3442/6* *থাগৎচরিবী :* **Y. Surmila Devi,** Thangmeiband

**/ ওজা ABDUL HAK পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি**

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অনাবশিং - শৌজদা পোম্বা, মচুম তাবা, খ্বাং নাবা, চাবা য়াদবা, হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, চৎপদা নুংঙাইতবনি। অদুবু মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681 Wangoi State Bank Awang দা লায়েংবীরিবা ওজাগা থেংনজবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবশিং পূম্নমক অসি মপূং ফানা ফজরে। অনাবা অমত্তা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4.30pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Ng. Basanta**
Thoubal Khekman

HL-P/3428/6

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈথিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।
(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?
(খ) কাংঙবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়যু।

৩। "ইশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাত্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কন্নানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।